## ১২৫শুবা মপোক থাবুম লাকপদা

# ইরাবতকী লমজিংদা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি

- সোটিনকুমার -

শিন্মীনা য়াঙলেন শরূ ওইরিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী অহানবা মেনিফেষ্টো পুথোক্লমখিবা কার্ল মার্ক্স অমসুং ফ্রিদরিক এঙ্গেলস অনীনা মালেমগী শু–নোম্লিবশিং পুল্লো– মসিদা মাঙজগদবসি পোকপদগী লোয়নরক্লবা মীনায় য়োল্হিং অদুনি হায়বা পাউজেল অদুমক মপূং ফাহন্নবা মণিপুরদসু জন নেতা ইরাবতনা মতমদুগী লোয় মপু বৃটিশ অমসুং নিংথৌ লৈঙাক অনীগী মীওৎ মীনৈ মখল কয়াগী অৱা পোৎলুম নংলবা কয়াবু পুনশিন্দুনা অপুনবগী শক্তি শাগৎনবা হোৎনরমখি। অপুনবনা শক্তিনি হায়বদু খঙবদগী লৌমী শিন্মী, মহৈরোয় নহারোল অমসুং নুপী খুন্নায়গী ওর্গনাইজেসন কয়া শাগৎতুনা মখোয়গী ফংফম থোক্লবা হকশিংগী মচং ওইবা দিমান্দ কয়া পুখৎপা হৌরকখি। মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবা লুচিংবা অমা ওইনা শিংথারকপদগী কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর থাদা থোকখিবা খূৎশেমগী চাক তাঙবগী মায়োক্তা হৌনরুবা তৌদনা হৌরকখিবা অনীশুবা নুপী লান মখা তানা পুথনবা থৌনা হাপ্লুবগীদমক মণিপুর দরবারনা ফাজিন্দুনা থন্লুবদা মহাকপু লাকশিনবা ঙমদবদগী তান্লবা সিলেট জেলদা থমখি। সিলেট জেলদগী মার্ক্সিজম লেনিনিজমদা লাইমিং লৌখিবগী পাউদমশিং খঙবদগী জেলগী পুন্সি মতম লোইরবসু নিংথৌনা মহাকপু মণিপুরদা চঙহনখিদে। জেলদগী থাদোকপগা অসাম প্রদেশ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর অমা ওইদুনা কুমজা ১৯৪৩দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা সী পি আইগী অহানবা পার্টি কংগ্রেসতা শরুক য়ারুবগা মরী লৈননা মহাক্না কম্যুনিষ্ট পার্টি য়াওরকপগী ফোঙদোকখিবা মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মতমদুগী লৈবাক্কী মমিং লৈরবা চেফোঙ কয়াদা ইরাবত কম্যুনিষ্ট ওইখ্রে হায়না ফোঙনখি।

মণিপুরদা চঙবা য়াবগী অয়াবা পীবগা থিন্থদনা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবা লৌমীগী ওর্গনাইজেসন শেমগৎপগী মথক্তা নুপী, মহৈরোয় অমসুং নহারোলশিংগী ওর্গনাইজেসনসু শেমগৎপা হৌরকখি। মসিগী মমাঙদা মহারাজনা প্রসিদেন্ট ওইবা ইরাবতনা সেক্রেটরি ওইবা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী মচোয় মচোয় তাখ্রবা মেম্বরশিং নৌনা তাশিন খোমজিন্দুনা মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ কৌবা অনৌবা ওর্গনাইজেসন অমা শেমগৎখি। লোয়নননা পোলিটিক্সকী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া পুখৎতুনা মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা পাউজেল কয়া শন্দোক্লকখি। লৌমীদগী লৌপুনা নমদুনা ফৌ খোম্বগী মায়োক্তা উতোং ৬৪ না শাবা শংবায়দা ফৌ তন্নবা অনৌবা পথাপ অমা পুথোকপদগী লৌমীগী ওর্গনাইজেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকখি। মরক অসিদা অসাম কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি হাংনবা অকনবা চিঠি কয়া থারকখি। লাইবক থীবদি, বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখিনবা মতম পীখিবগা মণিপুরদসু পোলিটিক্স করিনো খঙদবা মীওই কয়ানা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া লিংখৎনরকখি। পার্টি অমগী ইদিওলোজি করিনো খঙদবশিংনা লিংবা পোলিটিকেল পার্টিদা ইরাবতনা থাজবা থমখিদে। মীনা মীবু ওৎপা হায়বদু লৈতবা মান্নবা খুন্নায় অমা লিংনবা মার্ক্সিজম অমসুং লেনিনিজমগী ৱাখল মীৎয়েং মপুং ফানা খঙহন্নবা লৌমী, নুপী, মহৈরোয়– নহারোলগী লূপশিং মায়পুনরিবশিংবু মতম চঙনা খঙহন্নবা হোৎনবনি। মহাক্কী পান্দমদি অথুবা মতমদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা লিংখৎপা পান্নবসু মতম মতমগী ওইরক্লিবা ৱাথোক কয়ানা মহাক্কী পান্দম মপুং ফাহনবদা থেংথহনখি। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখিবগা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নবা থৌরাংলকপগী মায়োক্তা থেংননবা নিখিল মণিপুর মহাসভা, প্রজা সঙ্ঘ, কিষান সভানচিংবগী অপুনবা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্ননবা হোৎনবনা হেন্না মরু ওইরকখি। অসিগুম্লবা তাল্লক অসিদা কুমজা ১৯৪৮গী ওগষ্ট ২৩ দা কৈশামথোংদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা ইরাবতনা লুচিংদুনা শেমখি। মণিপুরগী লৈমায়দা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎখিবা থা ফাদ্রিঙৈ ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নবা অথুবা খোঙথাং পায়খৎলকপদগী চহিদুগী সেপ্টেম্বর ২১ দা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা ইম্ফালগী এম দি য়ু হোলদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্লুবা শিনবদা লম্লাই মায়কৈদগী লাকপা মশীং য়াম্লবা লৌমী শিন্মী খুৎপুশিং থিংনবা হোৎনবদা পুলিসকা মুক্লবদগী পুলিস ওফিসার অমা শিখিবগী ৱাহৌদা মীটিং শিল্লিবা ইরাবতপু ফানবা ষ্টেট দরবারনা লাউথোরকপদগী ইরাবত অন্দরগ্রাউন্দদা লৈখি। অদুবু মহাক্কী হোৎনজমন্দগী মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কল্লমখি। অন্দরগ্রাউন্দদা লৈরবসু মপুং ফাদ্রিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি হেন্না শক্তি লৈহনবা অরোনবা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা মতিং লৈবা কেদরশিং শেমগৎপগা ইরোয়ননা রিভোলুস্নরি পার্টি অমগী তঙায় ফদ্রবা রেদ গার্দ শেমগৎলমখি। কমরেদ ইরাবতনা অন্দরগ্রাউন্দদা লৈরবসু পার্টিগী নহা ওইরিবা লুচিংবশিংগা তোয়না পাউ ফাওনদুনা মীয়ামগী অমসুং পার্টিগী থবক থৌরমশিং তাথোক তাশিন তৌবা লেপখিদে। মশীং য়াম্লবা সী আই দি অমদি লানজাবা কয়ানা মহাক্কী খোঙ্গুল লিনবা হোৎনরবসু মহাক্কী হৈ শিংবা মখাদা পার্টিগী অহানবা কনফরেন্স মায় পাক্না পাঙথোকখি। মশাগী ফিভম শোকচিল্লকপা অমদি নহা ওইরিবা লুচিংবা কয়া পুলিসনা মথং মথং ওইনা ফাগৎনরকপদগী পার্টিনা মুন্না খন্নরবা মতুংদা মহাকপু বর্মাদা থাদুনা মখা তানা ইহৌ শাগৎনবা হোৎনখি। বর্মদা লৈরবসু মতমদুগী মচোয় মচোয় তারবা বর্মিজ–কম্যুনিষ্ট পার্টি অহুমগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা পুনশিনহনখি। অপুনবনা শক্তিনি হায়বদু খঙহনখি। লাইবক থিবদগী বর্মগী তাউবোং খুনদা মশা নারকপদগী কুমজা ১৯৫১গী সেপ্তেম্বর ২৬তা লৈখিদবদা বর্মিজ–কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা মহাক্কী মফমদা রেদ সেল্যুট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মহাক লৈখিদবগী পাউ ফংলবসু বর্মদা লৈখিবা অন্দরগ্রাউন্দ কেদরশিংগী য়েংদুনা মীয়ামদা মতম চানা খঙহনখিদে। কুমজা ১৯৫১গী ওক্টোবর থাদা ফমখিবা পার্টিগী অখন্নবা নেসনেল কনফরেন্সনা খুৎলায় থাদোকপগী ফিরেপ লৌদুনা দেমোক্রেতিক ওইবা খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবগা মণিপুরদসু অন্দরগ্রাউন্দা লৈরম্বা লুচিংবশিং থোরক্তুনা পার্টিবু মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবা হৌরকখি। লোয়নননা পার্টিসু পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা শরুক য়াবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা পার্টিগী মীরেপ ওইনা কমরেদ থোকচোম বিরবু ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীখল থেংনহনখি। লোয়নননা মরিশুবা অমসুং তরেৎশুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কেন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টিগী মীহুৎ ওইনা কাদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকখি। পার্টিনা লৈঙাক সাসন্দা শরুক য়ারকখিবা মতমশিংদা লমদম অসিগী লৌমী শিন্মীগী ওইবা ইস্যু কয়া পুখৎখি। মণিপুরী লোল ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনহন্নবা ত্রিপুরাদগী কাখিবা পার্টিগী এম পি অনীনা লোক সভাদা তকশিনখি। লোয়নননা মনীং মখা তন্না লৈজরম্বা মণিপুরবু য়ুনিয়ন টেরিটরি অমগী থাক্তা থম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদুনা ষ্টেট হুদ–পীনবা পার্টিনা অকনবা ইহৌ শাগৎলকপদগী কুমজা ১৯৭২গী জনুৱারি–২১দা মণিপুর মপুং ফারবা ষ্টেট অমা ওইরকখি। মসিমক পার্টিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মণিপুর বিধান সভাদা পার্টিগী মীহুৎ মশীং য়ামদ্রবসু দেমোক্রেতিক ওইবা পার্টিগা খুৎশন্নদুনা লৈঙাক সাসন্দা শরুক য়াবদা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম শেমহন্দুনা মীয়ামগী মরু ওইবা থবকশিং মথং মথং ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরমখি। লৈবাক্কী ডেমোক্রেসি, সেক্যুলরিজম কন্নবা পার্টিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা থেংনদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৭৮গী মতমদা এম এল এ ওইবদগী চহি ৫দগী মখা তানা শাংদোকহল্লকপদা পার্টিনা য়ানিংদবা উত্তুনা পার্টিগী এম এল এশিং চহি মঙা ফারকপগা ফম থাদোক্তুনা লৈঙাক্কী থৌশিল শিংনখি। লৈবাক্কী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদসু মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মায়পুনবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। দ্রাকোনিয়ান লো হায়না খঙনরিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (১৯৫৮) ষ্টেট অসিদগী মপুং ফানা লৌথোকখিনবা পার্টিনা থেংনদুনা লাকখি। লোয়নননা কংগ্রেস পার্টিগা পুনবা লৈঙাক মতমদা ইম্ফাল য়াওনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬তগী ব্লেক লো অসি লৌথোকহনখি। মীয়ান্না হঙ্গোয়নরবা আসাম রাইফলস কংলাদগী হোংদোকহন্নবা খোঙথাংদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনখি লোয়নননা লৈখিদ্রবা সী পি আইগী মমিং লৈরবা পার্লিয়ামেন্টরিয়ান কমরেদ ইন্দ্রজিৎ গুপ্তনা হোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা কংলাদগী আসাম রাইফলস হোঙদোকহনখি।

পার্টিগী মীহুৎ অমফাওবা ষ্টেট এসেমব্লিদা শরুক য়াবা ঙমদ্রবসু মতম মতমগী ওইবা মীয়ামগী ইস্যু কয়াদা পার্টিগী মাস ফ্রন্টশিং অমদি মীয়ামগা খুৎশন্নদুনা হনবা লৈতবা ইহৌ খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাকখি। কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা পার্টিনা অকনবা খোঙজং চংশিনবদা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি ফাওবা য়ু এ পি এ মখাদা ফাদুনা জেলদা থমখি। মসিদসু নত্তনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টম হোংদোকহন্নবা প্রোপ্রোসনেল রিপ্রজেন্টেসন সিষ্টম চৎনহন্নবা কেম্পেন কয়া চংশিনখি। সেন্টরদা পাল্লিবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিককী অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়ামগী খন্থবা তৌদনা পেত্রোল অমসুং দিজল থাওগী মমল লেপ্তনা হেনগৎহনখিবদগী তঙায় ফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংলকপগী মায়োক্তা পার্টিনা হৌখিবা জুন থাদা থাখায় অমা চুপ্না মীয়ামগা খুৎশন্নবা ইহৌ খোঙজং চঙশিনখি। হৌজিক হৌজিকসু লৈবাক অসি লাউথোক্তবা ইমর্জেন্সি অমগুম্বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবা কয়াবু সেদিসন এক্ট মখাদা ফাজিন্দুনা জেলদা থন্নবা হোৎনবা লেপত্রি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা পাঙথোক্লিবা ১২৫ শুবা কমরেদ ইরাবতকী মপোক থাবুম থৌরম অসিদা কাঙলোন চুম্না মীখল তৌনবা অমদি চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী মায়োক্তা থেংনবা লোয়নননা দেমোক্রেসি, সেক্যুলরিজম, ফেদরেলিজম অমসুং সংবিধান কন্নবা অচেৎপা ৱাশক লৌবগা ইরোয়ননা ওথোরিটেরিয়ন ওইবা লৈঙাক্লোন অসি শিন্দোক্লবা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগা খুৎশন্নদুনা অনৌবা ফোর্স অমা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নবগী থৌদাং ঐখোয়গী মাংদা তারি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### রোনেলনা অৱাবা ইমুং অমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস):

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংচন্না লৈবা ঙাইরাংবম মমাং লৈকায়দা লৈবা মতম শাংনদগী অরিবা অনাবা অমগা শাগোন্দুনা লাক্লবা চান্দম জুগেশ্বরদা এ সী অসিগী নৌনা মীরেপ ওইগনি হায়না চোঙথোরক্লিবা কৈথেল্লাকপম রোনেননা ময়ুমদা চৎতুনা শেলগী মতেং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

ঙাইরাংবম মমাং লৈকায়দা লৈবা চান্দম জুগেশ্বর অমদি মহাক্কী লোয়নবীসু লাইওং খঙদবা লায়না অমনা নাদুনা লৈরি। হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংলবসু হোস্পিটালগী ফী থিবা ঙমদবনা ময়ুমদা পুথরক্তুনা লৈরি। জুগেশ্বরগী মচানুপী কিয়াম রাধানা হায়, অপোকপা অমদি অপোকপীদা নারিবা লায়না অসি লায়েংনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা হায়বদু ওইরে। কন্নাদা তান্নরগা মতৌ করম্না লাইয়েংগনি খঙদবনসু অমুক্কা হেন্না অৱাবা পীবা হায়বদু ওইরে। পিকখ্রবা ইস্কোল অসি ফাওবদা তঙ্খাই অমা য়োম্থোক্তুনা অনা লায়েংনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা মহাক্কী অপোকপনা নারিবা লায়না অসি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি)গী কার্দনসু কোনশিনদবা মরম্না মদুগী মতেং লৌবসু ঙমদে। অসিগুম্বা অৱাবা মতম অসিদা এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটনা য়ুমদা লাকপীদুনা মতেং পাংবিরবা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেননা হায়, লমদম অসিদা জুগেশ্বরগুম্বা লাইবক থীরবা মীওই কয়া অমা লৈরি। জুগেশ্বর হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা য়াম্না ৱানা পুন্সি লেল্লি। মশাগী অনাবা য়েংনবা পিকখ্রবা য়ুমগী ইস্কোল ফাওবা তঙ্খাই অমা য়োম্থোক্তুনা অনা লাইয়েংনবা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবা অনাবা ফৎতনা লৈবগা লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবিসু কন্না নাদুনা লৈরি তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। মরম অদুনা ইশাগী মায়কৈদগী ঙমজবা মতেং ওইনা শেলগী অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙজবনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা মরুওইনা আপিল তৌনিংবদি ঙাইরাংবম মমাং লৈকায়দা লৈবা হৌজিক য়াম্না কন্না নাদুনা লৈরিবা জুগেশ্বরগুম্বা পাম্বে অমত্তা লৈজদ্রবা অরুবা লায়নানা নাদুনা লৈবা মীওই কয়া অমা লৈরি। অসিগুম্বা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংবু থীদোকপীদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংহন্নিংই। অচৌবা মতেং পাংদ্রবসু শুপ্নগী অনা লায়েংদুনা থৱায় ফাওবদি কন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

### নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি: হুকো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস):

মশানা এম পি সী সীগী সেক্রেটরিনি হায়জবা মমাংগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা ট্রিনামুল কোঙ্গ্রেসকী টিকেটতা হৈঙাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা পি সরতচন্দ্রনা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হৈঙাং এ সীগী মীহুৎ ওইরিবা অমদি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱর্করশিংনা আই আর বি লৌবগা মরি লৈননা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়না মরাল শীরিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি। হৈঙাংদা লৈবা ক্লব ১২গী এপেক্স বোদি, হৈঙাং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (হুকো) অমদি হৈঙাং দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মরম অদুনা পি সরতচন্দ্রনা নুমীৎ ৫নিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোরক্ত্রবদি মহাক্কী মথক্তা মীয়াম্না অকনবা এক্সন লৌগনি হায়না ঙসি হৈঙাং ময়াই লৈকায়গী ইবুধৌ মার্জিং লাই হরাউফমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হুকোগী সেক্রেটরি এস তোন্দাংনা ফোঙদোকখ্রে।

পি সরতচন্দ্র হায়রিবা নুপা অসি সোসাইটি অসিগী খ্বাইদগী ফত্তবা মহীকশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক করম্বা বিজিনেস তৌরম্মী হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। অরানবা বিজিনেস তৌবগীদমক জেলদা কয়ারক হন্না লৈরুরবা ওইদবা ঙাঙবদা হালেংদ্রবা মীশক অমনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইনবা অমদি হৈঙাং এ সী অসিবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনরিবা পিপল সী এম হায়না কম্যুনিটি খুদিংমক্না খঙনরিবা সী এম অমদি মাগী ৱার্কারশিংবু ওইদ-পাদবা ঙাঙদুনা দ্রমা য়াম্না হৈবা পি সরতচন্দ্রনা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়রিবসি তশেংনমক য়াম্না লানবা ৱাফম অমনি। মহাক্না শেঞ্জা-থুমজা তৌবা ৱর্করশিংগী মমিং মথা ফোঙদোক্কে হায়বদু অচুম্বা ওইরবদি ঙসিদগী পারগা নুমীৎ ৫নিগী মনুংদা মীয়াম খঙনা ফোঙদোক্কদবনি।

করিগুম্বা মহাক্না শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়রিবা ৱর্করশিংগী মমিং মথা মতিক চাবা খুদম চাংদমগা লোয়নননা ফোঙদোকপা ঙমদ্রগদি মমাংথক্তা দিভলপমেন্ট ৱর্কশিংদা অয়েৎ-অপন পীদুনতা লাকখিবা মরম্না মহাক্কী মথক্তা হৈঙাংদা লৈবা হুকো অমদি হৈঙাং দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা মীয়ামগা খুৎশম্নরগা পি সরতচন্দ্রগী মথক্তা অথিংবা থম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ঙসিগী মীফম অদুদা হৈঙাং দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু জিতেন, হুকোগী প্রসিদেন্ট কে জয়ন্তা অমদি হৈঙাংগী নুপী অমদি নুপা কয়াসু শরুক য়াখি।

OFFICE OF THE
MEIJRAO GIRLS PRIMARY SCHOOL (A), IROM MEIJRAO

/ NOTIFICATION

Irom Meijrao, the 31st August, 2021

No. 01/2021MGPS/Ele: It is for general information to all the concerned that the election process of guardian representatives and local educationists of Meijrao Girls Primary School (A), will be conducted on the dates detailed below :

1. Submission of nomination paper for both guardian and local educationists 8/9/2021 to 9/9/2021 (10 am to 1 pm)
2. Withdrawal of nomination papers for both guardian and local educationists 10/9/2021 (10 am to 11 am)
3. Date of scrutiny for both 11/9/2021 (11 am to 12 noon)
4. Date of election for both guardian and local educationists 13/9/2021 (1 pm)

Sd/- L. Shyamson Singh
Head Master,
Meijrao Girls Primary School (A)
HL-P/6910/1

ALL MANIPUR MINOR IRRIGATION DEPARTMENT EMPLOYEES' ASSN

CEASE-WORK STRIKE শৌগৎলে

হৌজিক-হৌজিক Manipur Government Service Federation (M.G.S.F.) না হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ১৭তগী চঙশিল্লকপা Cease Work Strike অসিদা All Manipur Minor Irrigation Department Employees' Association (AMMIDEA) নসু চথরিবা Strike অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপা হায়না ঙসি ফমখিবা Executive Committee মীফম্না লেপ্পে।

Sd/- N. Ingocha Singh
Secretary, All Manipur Minor Irrigation Department Employees' Association (AMMIDEA), Lamphelpat
HL-P/6908/1

### হান্নগী সী এম ইবোবিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস):

থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মনুংচন্না লৈবা থৌদাম ইরোং থোকচোমদা ফুট ৮০০ খরা হেন্না শাংবা ইরিগেসন কেনেল অমা থৌবাল এ সীগী এম এল এ ওইরিবা অমদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিগী মীৎয়েং মখাদা শেম্বিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থৌদামগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লগদবা ইরিগেসন কেনেল অসি এম জি এন আর ই জি এগী মনুংচন্না লাইন দিপার্টমেন্টগী শ্যেরগী মখাদা শেমখিবনি। লৌউ শিংউবদা য়াম্না কান্নরগদবা অমদি চাওনা মতেং ওইরগদবা ইথৈ লৌখোং অনী অসি শেম্বিবগীদমক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিবু মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ওইরসনু হায়না থৌদামগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

/ NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 31st August, 2021

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Universal Martial Art Academy Thang-Ta"** on 28/08/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Kodompokpi"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West
HL-P/6907/1

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

*No. 3/1/2018/IMC-2* *Imphal, the 31st August, 2021*

/ খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation গী মনুংদা Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওহৌদবা / চিথহৌবশিংনা Scheme অসিগী খুদোংচাবা লৌবিনিংবশিংনা নৌনা Application থারকপা য়াগনি। হায়রিবা Application Form অসি (1) imc.mn.gov.in (2) muda.mn.gov.in অসিদগী download তৌবিবা য়াগনি নৎত্রগনা PMAY-Cell, G.M. Hall দা ফংবীগনি। Scheme অসিগী খুদোংচাবা লৌবিনিংবশিংনা লাক্লিবা September Date 10/09/2021 ফাওবগী মনুংদা PMAY-Cell G.M. Hall দা য়ৌহনবীরক্কদবনি।

**Form** পীশিনবগী মতমদা শোয়দনা য়াওরক্কদবা **documents** শিং :

1) Applicant গী Aadhaar Photo Copy
2) Family Member শিংগী Latest Aadhaar
3) Applicant গী Bank Pass Book Photo Copy
4) Jamabandi/Patta Photo Copy (Applicant গী মিংদা লৈবা ওইগদবনি)
5) Valid Phone Number
6) Income Certificate (Self Certified)

**N.B. Form** পীশিনবা মতমদা **Applicant** মশা য়াওরক্কদবনি।

**খঙহঞ্জরিবা,**
**(K. Chandrakumar Singh)**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation
HL-B/7122/1

/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL

/ NOTIFICATION

*Imphal, the 31st August, 2021*

No. HCM/A-24/80-Estt.(III)A/ This is to inform to all the concerned that Personal Assessment Tests for recruitment to the posts of Court Attendant/ Farash/Orderly/Chowkidar/Lawn Attendant which was scheduled to resume from 01.09.2021 shall be postponed till 19.09.2021 as one of the Interview Board members is tested COVID-19 positive. It will be resumed from 20.09.2021 onwards and detailed schedule will be intimated via the High Court's website https://www.hcmimphal.nic.in on 15.09.2021.

Sd/- **(PH. JAPAN SINGH)**
I/C REGISTRAR (ADMN.)
HIGH COURT OF MANIPUR
HL-B/7121/1

**ADMISSION OPEN**

FOR THE FOLLOWING COURSES


1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7118/1/9-1/10

**/ খনাউ মনুংদা নাকন অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, তিন য়োৎপদফাও নাবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খনাউ মনুংদা চাথৎপা, কোক তোয়না চিকপা হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খনাউ মনুংগী নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা অমদি থাচৎলকপা, করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, য়োৎশিনবদা য়াম্না নাবা, তিন য়োৎপদসু নাবা, খনাউদা লোক লৈবগুম্না তৌরগতা লৈবা, শীৎলুরগনা লোক য়াওরক্তবা, চাবা-থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Michael Singh, Khurai**
HL-P/7101/1

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।